ক্বাকৈথেল হৈনৌখোঙনেম্বীদা লৈবা পিতম্বরা ইংলিস স্কুলদা হাংদোক্লিবা কম্ম্যুনিটি হোম আইসোলেসন সেন্টরদা এক্স এম এল এ আর কে আনন্দনা শেল অমদি চান-থক্লবা পোৎলম তেংবাংখিবা

তোঙান তোঙানবা লুপশিং অমদি মৈরা পায়বী লুচিংবীশিংনা এস ও পি ঙাক্লা খুরাই সলানথোংগী থরো দেবী লম্পাক্তা লৈবা মৈরা পায়বীগী মিতমদা হৈকৎ লৈকৎ তমদুনা ২৩শুবা মৈরা পায়বী নুমিৎ চম্না পাঙথোকখিবা

মরাম ষ্টুদেন্ট্স য়ুনিয়ন, ইন্দিয়ন রেদ ক্রোস সোসাইটি, সেনাপতি অমদি সেনাপতি য়ুথ ব্রিগেদনা খুৎশম্নদুনা নোর্থন মরাম এরিয়াগী তোঙান তোঙানবা মফমশিং সেনিটাইজ তৌবগী থবক চথখিবা

ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী ক্বাকৈথেল কোঞ্জেং লৈকায়দা লৈবা আয়ুস হোস্পিটালদা কোভিদ ভেক্সিনেসন হৌদোক্লদুনা এম পি নিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাওবা অমসুং এম পি ডা. আর কে রঞ্জননা তেংবাং পোৎলমশিং খুৎশিন্নখিবা

পোজিটিভ ওইরবা দ্রগ য়ুজর অমা কোভিদ সেন্টরদগী চেন্থোকখি হায়বসি লাইবক থীবনি: এম এস এফ

ইম্ফাল, মে ২৮ (ঐচ এন এস):

হন্দক মণিপুর লৈঙাক্লা ষ্ট্রিট বেজ দ্রগ য়ুজরশিংগীদমক স্পিসল দ্রগ দি-এদিক্সন এন্দ ট্রিটমেন্ট কেম্প হাংদোক্তুনা দ্রগ য়ুজর ৩৩ কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌদুনা মখা তাবা ট্রিটমেন্টগীদমক রিহেব সেন্টরদা শিন্নখিবগীদমক থাগৎপা ফোঙদোকচরি। অদুবু হন্দক্তা কোভিদ পোজিটিভ ওইরবা দ্রগ য়ুজর অমা কোভিদ সেন্টরদগী চেন্থোকখি হায়বসি লাইবক থীবনি হায়না মণিপুরী ষ্টুদেন্টস ফেদরেসন (এম এস এফ)গী দ্রগ এফেয়র্স সেক্রেটরি ওইনাম প্রেমদাস খুমননা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, থৌওং অসি মতুংদা থোক্তনবা কোভিদ পোজিটিভ ওইরবা দ্রগ য়ুজরশিংগীসু কোভিদ ক্যের কম দ্রগ ট্রিটমেন্ট ফেসিলিটি হাংদোক্তুনা কোভিদসু লায়েংবিবগা লোয়ননা দ্রগ থাদোকপা ঙম্নবা দিটোক্স অমদি কাউন্সেল্লিং ফেসিলিটিসু পুন্না পীহন্নিংই।

চেরোল অসিনা হায়, মণিপুরদা ষ্ট্রিট বেজ দ্রগ য়ুজর্স করি মরমগী লৈরক্লিবনো। ষ্ট্রিটতা দ্রগ শীজিন্নবশিং অসি কন্নানা য়েংশিনফম থোকপগে। দ্রগশিং কনানা য়োল্লিবনো পীজ রিবনো। ইম্ফাল ময়োলগী লম্বীশিংদা ষ্ট্রিট বেজ দ্রগ য়ুজর য়োকখৎলিবসি কনাননো। অথুবা মতমদা লৈঙাক্লা থিগৎপিয়ু। লম্বীদা দ্রগ শীজিন্নবশিং য়ারেকহল্লিবা অসি মরম চাদে। মখোয়শিং অসি নীংথিনা থিদোক্লগা মশা-মশাগী ময়ূমদা লৈহনবা অমদি সেল্টর হোমশিংদা লৈহনবা তঙাইফদে। চহী কয়াদগী দ্রগ য়ুজরশিংগী লমদা থবক তৌরিবশিং অসি দ্রগ য়ুজর মশিং হেনগৎলক্লবরা নৎত্রগা হন্থহন্নবরা হায়বসি হংদবা য়াদ্রবা ৱাফম অমা ওইরে। মণিপুরদা পাক্তক্লনা উমং কোকথোক্তুনা পোপি পাক শন্না থাহল্লিবসি কনাননো হায়বসি খঙদোকমিন্নবা মতম ওইরে। ষ্ট্রিট বেজ দ্রগ য়ুজরশিং অসিবু সিষ্টেম অমনা কন্ট্রোল তৌদুনা হৌরক্লিবা নহাশিংদা দ্রগ শীজিন্নবগী মতৌ তল্লক্তনবা, দ্রগ অমদি অলকোহোলগী খয়াৎতগী কলহৌনবা ঐখোয় পুন্না থৌদাং লৌমিন্নগদবনি। ষ্ট্রিট বেজ দ্রগ য়ুজর অমদি নোর্থ এ ও সীদা লাকপা দ্রগ য়ুজরখক্তমক ফোকস তৌবসি মণিপুর গভর্ণমেন্টনা পাল্লিবা হায়বদি, কোভিদ-১৯ শন্দোক্তনবা অমদি দ্রগ য়ুজরশিংগী অৱাবা হন্থহননবা পান্দম অদু মপুং ফাবা ঙম্লোই হায়না লৌই। মরম অদুনা মণিপুরগী মফম খুদিং, লোইজিং লোয়াদা লৈরিবা দ্রগ য়ুজরশিংদসু মীৎয়েং চঙহন্নিংই। ষ্ট্রিট বেজ দ্রগ য়ুজরখক্তনা কোভিদ-১৯ শন্দোকপা নত্তে। লৈরক খুল্লক্তা মোবাইল ওইনা দ্রগককী পোৎলমশিং লৈবা য়োনবা তৌরিবশিংদগীসু কোভিদ-১৯ শন্দোরকপগী অচৌবা মরম ওইরিবনি। হৌজিক হৌজিক ওইরিবা পেন্দমিককী লুরবা ফিভম অসিগী মথক্তা দ্রগ লৈবা য়োনবা অমদি শীজিন্নবগী চৈথেং অমুক হন্না হাপ্লকপা হায়বসি খুন্নাই অসিদা চৈথেং অমা চাউনা পীবনি।

পেন্দমিক্কী চৈরক অসিদা দ্রগ ওভরদোজ তাদুনা লৈখিদবা কয়া অমসু য়াওনরি। অমরোমদনা লোকদাউননা মরম ওইদুনা হিংবগী লানফম ময়ায়শিদা দ্রগ শীজিন্নবগী পোৎলুম অমুক হায়পচিল্লকপা হায়বসি ঐখোয় পুন্না কল্লেক্তিভ ইফর্দ অমা লৌমিন্নবগী য়াম্নমক তঙাইফদ্রে। লৈঙাক্কী ফন্দেদ ফংলবা রিহেবিলিটেসন সেন্টরশিংনা দ্রগ ট্রিটমেন্ট তৌবা ঙমদবা, শেল থুমগী ফিভম চাদবা দ্রগ য়ুজরশিং লায়েংবগী খুদোংচাবা ফংহনবিয়ু। অমদি রিহেবিলিটেসন সেন্টরশিংনসু টেষ্ট তৌরবা মতুং দ্রগ য়ুজরশিং লৌশিনবিয়ু। দ্রগ য়ুজরশিংগীদমক্তা থোরক্লিবা মরী লৈনবা সোসল ৱেলফেয়র দিপার্টমেন্টকী ফন্দেদ ফংলবা রিহেবশিং, প্রাইভেট রিহেবশিং, এন জি ও অমদি কম্ম্যুনিটি বেজ ওর্গনাইজেসনশিং তশেংনা দ্রগ য়ুজরশিং কম্ম্যুনিতি অসিবু কন্নিংবা নুংশিবা ওইরগদি এম এস এফকী অফেয়র্স ওন দ্রগ য়ুজ প্রিভেন্সননা থল্লিবা ৱাফমশিং অসি থবক্তা ওন্থোকপিরকউ। হায়রিবা হীরম অসিদা এম এস এফনসু অঙম্বা থৌদাং লৌজগে। করিগুম্বা দ্রগ য়ুজরশিংবু লৈঙাক্কী ফন্দেদ ফংলবা রিহেবিলিটেসনশিংনা লৌশিনবিদবা অমদি লৈকায়গী ক্লব, পেরেন্টশিংনা দ্রগ য়ুজরশিংবু মফম চাবদা থম্মিংবা য়াওরগসু এম এস এফকী হেল্পলাইন নম্বর ৯৩১৫২২৫৪৮৭ অমসুং ৭০০৫৩১৮৯২৬তা পাউ ফাওবীরকউ হায়নসু চেরোল অদুনা ফোঙদোরক্লি।

রিটায়র্দ ব্যুরোক্রেট ওফিসরশিং অমসুং হেল্থ ষ্টাফশিং থোকপিরক্তুনা মতেং পাংবিয়ু: আর কে আনন্দ

ইম্ফাল, মে ২৮ (ঐচ এন এস):

এক্সপিরিয়ন্স লৈরবা রিটায়র্দ আই এ এস য়াওনা ব্যুরোক্রেট ওফিসরশিং অমদি রিটায়র্দ হেল্থ ষ্টাফশিংনা থোকপিরক্তুনা লৈঙাক্লা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ থেংননবা পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিংদা মতেং পাংবিয়ু হায়না নাওরিয়া পাখংলাকপা এ সীগী এক্স এম এল এ আর কে আনন্দনা আপিল তৌরক্লি।

ক্বাকৈথেল হৈনৌখোংনেম্বীদা লৈবা পিতম্বরা ইংলিস স্কুলদা মায়কৈ অদোমগী তোঙান তোঙানবা ক্লব ওর্গনাইজেসন ১১না পুনশিন্দুনা হাংদোক্লিবা কম্ম্যুনিতি হোম আইসোলেসন সেন্টরদা এক্স এম এল আর কে আনন্দনা হকথেংননা চৎতুনা য়েংশিনখিবগা লোয়ননা সেন্টর অদুদা শেল য়াওনা থক্লবা ঈশিং অমদি চান-থক্লবা পোৎলমশিং তেংবাংখ্রে। তেংবাং পোৎলমশিং অদু খুৎশিন্নরদুনা এক্স এম এল আর কে আনন্দনা হায়খি, নাওরিয়া পাখংলাকপা এ সীগী মনুংদা লৈরিবা পিতম্বরা ইংলি স্কুলদা কম্ম্যুনিতি হোম আইসোলেসন সেন্টর অমা হাংদোক্লিবা অসি মায়কৈ অসোমগী ক্লব ওর্গনাইজেসনশিং অমদি মহাক মশা য়াওনা মায়কৈ কয়াদগী লৈঙাক্তা কন্না তক্লবদগী হাংবনি। এ সী অসিদা লৈরিবা মীওই কয়া পোজিটিভ ওইবা য়াওরকপদগী হোম আইসোলেসনগী তৌবগী খুদোংচাবা ফংদ্রবশিংগীদমক্তদি অসিগুম্বা আইসোলেসন অসি য়াম্নমক মরু ওই। ক্বাকৈথেল মায়কৈদা লৈরিবা ক্লব ওর্গনাইজেসন কয়াগী ভলন্টিয়রশিংনা কত্থোকপগা লোয়ননা থোকপিরকপদগী অসিগুম্বা আইসোলেসন অসি মায় পাক্লা চলাইবা ঙম্বনি।

মহাক্লা হায়খি, চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা অকনবা মীৎয়েং চঙদুনা হৌজিক কোভিদ-১৯ মায়থীবা পীনবা অমদি মণিপুর মীয়াম্বু লায়না লাইচৎ অসিদগী কন্নবা থৌরাং থৌশিল কয়া অমা লৌখৎতুনা হোৎনরি। চীফ মিনিষ্টরনা হৌজিক মণিপুরগী মীয়াম পাক্তংক্লনা কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌরগনি হায়রিবা অসি থাগৎনিংঙাইনি। কোভিদ টেষ্ট তৌসি হায়বদা মীওই খরনা কিবদগী অমদি লায়থোকপদগী টেষ্ট তৌসি য়াদবনা লায়না লাইচৎ অসি হেন্না শন্দোরক্লবগী মচাক অমসু ওইরি। মাস টেষ্টিং তৌদুনা পোজিটিভ ওইরবশিংবু আইসোলেসন তৌদুনা থল্লগা লায়েংলবদি লায়না লাইচৎ অসি শন্দোরকপদগী থিংবা ঙমগনি।

মণিপুরগী ওইরিবা কোভিদ-১৯গী ফিভমশিং অসি নেসনল মীদিয়ানা হেন্না ফোকস তৌহন্নিংই। লৈঙাক্লা মীয়ামদা হেল্থ ফেসিলিটি নীংথিনা ফংহন্নবা অৱাৎ-অপাশিং মতম চানা য়েংশিনবিদুনা মীয়ামগী পুন্সি কন্নবা হোৎনবিয়ু। মণিপুরগী এক্স এম এল এশিংগী ওইবা ফোরম অমা লৈরিবা অসিনা ষ্টেটসিদা কোভিদ থেংননবা হোৎনরিবা অসিদা থৌদাং লৌমিন্নদুনা লৈঙাক্লা পায়খৎলক্লিবা থবক থৌরমশিংদা মতেং পাংননবা হোৎনসি। এক্স এম এল এশিংগী ফোরম অসিগী অথুবদা মীফম অমা ফমদুনা কোভিদ থেংনবদা ফোরম অসিগী মায়কৈদগী করি করি থৌদাং লৌবা য়াবগে হায়বদু কুপ্না খন্নরগা মতেং পাংসি হায়নসু মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

তুংদা এক্স এম এল আর কে আনন্দনা নাওরিয়া পাখংলাকপা এ সীগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংগী কন্তেনমেন্ট জোনদা লৈরিবা ইমুংশিংদসু চান-থক্লবা পোৎলমশিং য়েন্থোকখ্রে।

চান থক্লবা মতেং পাংখ্রে

ইম্ফাল, মে ২৮ (ঐচ এন এস) :

কোভিদ-১৯গী সেকেন্দ ৱেভনা মরম ওইরগা কর্ফিয়ু থল্লিঙৈ মতম অসিদা সোসল ৱার্কর সেরাম নিকেলনা থোংজু এ সীগী মনুংদা লৈবা ৱার্কিং জর্নেলিষ্ট ২৫দা চান-থক্লবা পোৎলমশিং য়ুম য়ুমদা চত্তুনা তেংবাংখ্রে হায়রি।

সেনিটাইজেসন তৌখ্রে

ইম্ফাল, মে ২৮ (ঐচ এন এস) :

সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা নোর্থন মরাম এরিয়াদা লৈরিবা কৈথেলশিং, পোষ্ট ওফিস, পি ঐচ সী মরাম অমদি লোকেল ক্বারন্টিন সেন্টরশিং সেনিটাইজ তৌবগী থবক সেনাপতি দি সীগী মতেংগা লোয়ননা মরাম ষ্টুদেন্ট্স য়ুনিয়ন, সেনাপতি য়ুথ ব্রিগেদ অমদি ইন্দিয়ন রেদ ক্রোস সোসাইতি, সেনাপতিনা চথখ্রে। লোয়ননা নোর্থন মরাম এরিয়াদা অনীশুবা ফেজগী ওইনা টোতল লোকদাউনসু ঙসিদগী চথবা হৌখ্রে। লোকদাউন থুগাইবশিং লোকেল টাস্ক ফোর্সনা থিংবগী থবকসু চথখি হায়রি।

অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, মে ২৮ (ঐচ এন এস) :

মালেম কনবা লুপকী ফাউন্দর মেম্বর ওইরম্বা লোংজম রামেশোরনা খঙহৌদনা লৈখিদবদা লুপ অসিগী মীওইশিংনা থম্মোয় শোক্লা নুংঙাইতবা ফোঙদোক্লি লোয়ননা ইমুং মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়ারি। লৈখিদ্রবা রামেশোরগী থৱায়না মপুগী লৈকোলদা ইংনা চীক্লা লৈরুনবসু থৌনিজরি হায়না মালেম কনবা লুপকী প্রসিদেন্ট ৱাই মৈরাবা অঙোম্না থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

মাস টেষ্টিং তৌখ্রে

ইম্ফাল, মে ২৮ (ঐচ এন এস) :

থোংজু এ সীগী এম এল এসু ওইরিবা ৱার্ক্স, আই পি আরগী মিনিষ্টর থোঙাম বিশ্বজিৎকী মীৎয়েং মখাদা এ সী অসিগী মীয়াম্বু কোভিদ-১৯ লাইচৎতগী ঙাকথোক্লবা হোৎনবগী শরুক অমা ওইনা উচেকোন লাইকোল অমদি উচেকোন খুনৌদা সী এম ও ইম্ফাল ইষ্টকী মেদিকেল টিমগা খুৎশম্নদুনা মাস মোবাইল টেষ্টিংগী থবক পায়খৎতুনা পুন্না মীওই ২১৬ কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌখ্রে। মসিদা মীওই ২২ পোজিটিভ ওইখি হায়না থোংজু কেন্দ্র ভলন্টরি ৱার্করস কোভিদ-১৯ রিলিফ কম্মিটি (টি কে আর সীগী প্রসিদেন্ট এস ইবোবিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা মিনিষ্টর টি ঐচ বিশ্বজিৎকী মীৎয়েং মখাদা টি কে আর সীনা থোংজু এ সীদা মাস ইনফেক্সন থোরকপা য়াই হায়না চিংনবা মফমশিংদা মোবাইল টেষ্টিং চথবা, কন্টেনমেন্ট জোনগী মনুংদা লৈরিবশিংদা অঙম্বা তেংবাং পীবগী থবকশিং লেপ্তুনা চথখিগনি হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

হৈকৎ-লৈকৎ তম্লগা ২৩রক শুবা মৈরা পায়বী নুমিৎ চম্না পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ২৮ (ঐচ এন এস):

খুরাই সলানথোংগী থরো দেবী লম্পাক্তা লৈবা মৈরা পয়বীগী মিতমদা হৈকৎ লৈকৎ তম্লগা ২৩রক শুবা মৈরা পায়বী নুমিৎ চম্না পাঙথোকখ্রে হায়না মৈরা পায়বী নুমিৎ ওর্বজ র্বেসন কম্মিতিগী কনভিনর লোংজম মেমচৌবিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, কুমজা ১৯৮০দা পাৎসোই-লাংজিংদা লালহৌবগা সিক্যুরিটি ফোর্সকা খুৎ থোক্লবগী থৌদোক অমগী মতুংদা সী আর পি এফনা মফমদুগী মীয়ামদা শাথিনা ওৎ নৈবগী থবক চত্থরকখি। মদুগুম্বা সিফাইগী শাথিরবা মীওৎ মীনৈ অদুদগী লমদম অসিগী মীয়াম্বু কন্নবগীদমক নুপীশিংনা অকনবা ইহৌ চঙশিল্লকখি। ইহৌ চঙশিল্লিবা নুপী ময়াম্বু মণিপুর পুলিসনা ফারগা মফম অমদা থাদোক্লবগীদমক পুরকপদা খুরাই সলানথোংদা গাড়ীদগী তারগা সিনাম ওংবী পিয়ারি কুমজা ১৯৮০গী মে ২৮দা লৈখিদে। মদুগী থৌদোক অদুবু মীয়াম্না নীংশিংদুনা কুমজা ১৯৯৯দগী পোইরৈ লৈমরোল মৈরা পায়বী অপুনবা মণিপুর, অমৱোভা অমদি মেপৱার্কনা মপুঙ ওইবা থৌদাং লৌদুনা মৈরা পায়বী নুমিৎ ওবজ র্বেসন কম্মিতি শেল্লগা চহী খুদিংগী মণিপুরগী মফম কয়াদা লেপ্তুনা মৈরা পায়বী নুমিৎকী নীংশিং থৌরম পাঙথোক্তুনা লাক্লি।

কুমজা ২০১১দগী মৈরা পায়বী নুমিৎ অসিগী মপুঙ ওইবা নীংশিং থৌরম অসি খুরাই সলানথোংগী থরো দেবী লম্পাক্তা মৈরা পায়বীগী মিতম মায়খুম হাংদোকপগা লোয়ননা হৈকৎ লৈকৎ তমদুনা মীয়ামগী অচৌবা মীফম পাঙথোক্তুনা লাকখিবনি। অদুবু হৌখিবা কুমজা ২০২০দগী কোভিদ-১৯গী লায়না লাইচৎ অসিনা মরম ওইদুনা মৈরা পায়বী নুমিৎসি য়াম্না চাউনা মীয়াম তিন্দুনা পাঙথোকপগী খুদোংচবদু ফংদনা লাক্লি। হন্দক্কীসু ঙসি ২৩রক শুবা মৈরা পায়বী নুমিৎকী থৌরম অসি পোইরৈ লৈমরোল, অমৱোবা, মেপৱার্ক, লৈকায়গী মৈরা পায়বী অমদি অমুকোগী মকোক থোংবা থৌমী খরনা লৈঙাক্কী কোভিদ-১৯গী এস ও পি ঙাক্লা খুরাই সলানথোংগী থরো দেবী লম্পাক্তা লৈবা মৈরা পায়বীগী মিতমদা হৈকৎ লৈকৎ তম্লগা য়াম্না চম্না পাঙথোকখি হায়নসু চেরোল অদুনা ফোঙদোরক্লি।

এমসুগী ৩২রক শুবা ইমান্সিপেসন দে থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ২৮ (ঐচ এন এস):

ওল মণিপুর ষ্টুদেন্ট্স য়ুনিয়ন (এমসু)না চহী খুদিংগী চত্থদুনা লাকপা ষ্টুদেন্ট্স ইমান্সিপেসন দে থৌরম ঙসি ৩২রক শুবা ওইনা মোইরাং মল্টিপরপজ হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা এমসুগী ফিরাল চিংখৎপগা লোয়ননা মহৈরোয়শিংগী ইহৌদা লৈখিদ্রবা মহৈরোয় অহুমগী শক্তমদা লৈ-শুকৎতুনা ইকায় খুম্নবা উৎপগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

কোভিদ-১৯গী লৈঙাক্লা পীবা এস ও পি ঙাক্লা পাঙথোকখিবা থৌরম অদু এমসু বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট কম্মিতিনা শীন্দুনা পাঙথোকপনি। থৌরম অদুদা এমসু ষ্টেট প্রসিদেন্ট ঐচ চলাম্বা মৈতৈ, ভাইস প্রসিদেন্ট এস ওপেন, দিষ্ট্রিক্ট কম্মিতিগী প্রসিদেন্ট কেঐচ মোধুমঙ্গোল, জোইন্ট সেক্রেটরি এন লাইঙম, অমকিলগী প্রসিদেন্ট ইন চার্জ এল ঙানবী, এ এন য়ু এলগী ওর্গনাইজেসন সেক্রেটরি কেঐচ প্রমোনা মরুওইবা মীশক ওইনা থৌরম অদুদা শরুক য়াখি।

অমকিলনা অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, মে ২৮ (ঐচ এন এস):

মোমনু ঈরিক খোম্বীগী প্রসিদেন্ট ওইরম্বী ইমা জানকিনা লৈখিদবদা অপুনবা মণিপুর কনবা ইমা লুপ (অমকিল)না থম্মোয় শোক্লা নুংঙাইতবা ফোঙদোকচরি হায়না অমকিলগী প্রসিদেন্ট ইন-চার্জ এল ঙানবীনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, লৈবাক্কীদমক থৱায়না পোন্থা পীখ্রবা মচা মশু কয়াগী মফমদা হৈকৎ লৈকৎ তমজবদা হালেংবা লৈখিদবী ইমানি। ইমা জানকিনা লৈখিদবা অসিনা ঐখোয়গী খ্বাইদগী লাইবক থীবা তাঙ্কক হায়বদু ওইহৌরে। মশাগী অমদি অতোপ্পা লুপশিংগী থৌরম কয়াদা ষ্টেজগী লৈতেং ওইবিদুনা মরুওইবা ৱাফম কয়া থম্বীখি। নুপীশিংগী পুন্সি মহিং ফগৎহন্নবা অমদি খুন্নাইগী চৎন-লোনচৎপু কন্না পুখৎপিরম্বী ইমানি। ইমা অসিনা তাইবঙসিদা হিংলিঙৈদা পাঙথোকপিরম্বা থবকশিং মচাশিংনা কাউফম থোক্তে, কাউজদে। তুংগী মীরোলনা ইমাগী পাউতাক পাউজেল তুং ইল্লকপা ওইরসনু। ইমাগী থৱায়না মপু মাগী লৈকোলদা ইংনা চীক্লা য়াতাবা ওইবিয়ু হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

কোভিদ ভেক্সিনেসনগী থবক হেন্না খোঙজেল য়াঙশিলহন্নবা হোৎনসি: আর কে রঞ্জন

ইম্ফাল, মে ২৮ (ঐচ এন এস):

কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ থেংননবা ভেক্সিনেসনগী থবক হেন্না খোঙজেল য়াঙশিলহন্নবা হোৎনসি হায়না লোক সভাগী এম পি ডা. আর কে রঞ্জননা ফোঙদোকখ্রে।

ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা ক্বাকৈথেল কোঞ্জেং লৈকায়দা লৈবা আয়ুস হোস্পিটালদা ঙসি কোভিদ ভেক্সিনেসন হৌদোক্লদুনা এম পি ডা. আর কে রঞ্জননা হায়খি, মীয়াম্না মতম চানা কোভিদ ভেক্সিন কাপহৌরবদি তমথিরবা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ অসিদগী ঙাকথোকপদা মতেং ওইগদৌরিবনি। ভেক্সিন কাপহৌবনা হকচাংগী ইম্ম্যুন সিষ্টেম কনখৎহন্দুনা কোভিদতগী ঙাকথোকপা ঙমগদৌরিবনি। আয়ুসকী চাজসু পুরিবা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর কিরেন রিজেজুনা আয়ুসকী হোস্পিটাল পুম্নমক কোভিদ ক্যের সেন্টর ওইনা থবক তৌনবা খঙহনখিবসু লৈখ্রবনি। লমদমসিগী মীয়াম্বু লায়না লাইচৎ অসিদগী কন্নবা মীয়াম পুন্না লায়না লাইচৎ অসি থেংনমিন্নসি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা রাজ্য সভাগী এম পি নিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাওবনা হায়খি, মীয়াম্না মতম চানা টেষ্ট তৌদুনা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইনৎত্রগা ওইদে হায়বদু খঙদোকপা মথৌ তাই। মসিনা মতম চানা লায়েংহৌদুনা মমল য়াম্লবা পুন্সি কনবা ঙমগদৌরিবনি। লায়না লাইচৎ অসিদগী ঙাকথোক্লবা মীয়াম্না হেন্না চেকশিনবগা লোয়ননা এস ও পি ঙাক্লা চৎসি। কনাগুম্বা খরনা অরানবা ৱাফম কয়া শন্দোকপদগী ভেক্সিনেসনগী থবক অসি থেঙথহনবগী মরম অমসু ওইরি। হৌজিক্তি ভেক্সিনেসন অসিগী কান্নবা অদু খঙলকপদগী মীয়াম্না ভেক্সিন কাপ্পা মশিং য়ামশিল্লক্লে। মীয়াম্নসু এস ও পি ঙাক্লা ভেক্সিনেসনগী থবক হেন্না খুমাঙ চাওশিন্নবা হোৎনমিন্নসি হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

মফম অদুদা বি জে পি কিষান মোর্চা মণিপুর প্রদেশনা শীন্দুনা বি জে পিগী নেসনেল কেম্পেইন সেবাহি সঙ্গথন অমসুং মেরা বুথ কোরোনা মুক্ত কেম্পেইনসু পাঙথোকখি। থৌরম অদুগা মরী লৈননা বি জে পি কিষান মোর্চা মণিপুর প্রদেশকী ভাইস প্রসিদেন্টসু ওইরিবা বি জে পি মণিপুর ইম্ফাল ৱেষ্ট অমসুং ইম্ফাল সেন্ট্রেলগী ইন-চার্জ মুতুম দিনেশোরনা হায়খি, নাওরিয়া পাখঙলাকপা এ সীগী ওইনা পি ঐচ সী মেকোলাখক্তদা ভেক্সিনেসন চত্থদুনা লৈরম্বা অদু হৌজিক ক্বাকৈথেল কোঞ্জেং লৈকায়দা লৈবা আয়ুস হোস্পিটালদা ভেক্সিনেসন চত্থবা হৌখিবা অসিনা মীয়ামদা হেন্না খুদোংচাবা ফংহল্লগনি। লায়না লাইচৎ অসিবু থেংননবা হোৎনবদা ভেক্সিনেসনগী থবক অসি পাক শন্না চত্থননবা হোৎনসি হায়খি।

থৌরম অদুদা বি জে পি কিষান মোর্চাগী নেসনেল সেক্রেটরি কে ঐচ জিবন, বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী জেনরেল সেক্রেটরি পি প্রেমানন্দা মীতৈ, ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী অদক্ষ্য আর কে তরুনি অমদি বি জে পি ইম্ফাল ৱেষ্টকী প্রসিদেন্ট ফোনি মৈতৈসু শরুক য়াখি।

পেসেন্ট থম্বগী খুদোংচাদবা মায়োক্লরে

ইম্ফাল, মে ২৮ (ঐচ এন এস) :

লম্লাই অপ্পর প্রাইমারি স্কুলদা কম্ম্যুনিটি হোম আইসোলেসন সেন্টর হাংলিবসি ফমুং ৬ তগী হেন্না থম্ফম লৈতে। সেন্টর অসিদা অহেনবা ফমুং অমদি কা অহেনবা লৈতবনা মখা তানা পেসেন্ট থম্বগী খুদোংচাদবা মায়োক্লরে হায়না লম্লাই ষ্টুদেন্ট্স আইদিএল ক্লবকী সেক্রেটরিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, হৌজিক লম্লাই অপ্পর প্রাইমারি হায় স্কুলদা কম্ম্যুনিটি হোম আইসোলেসন সেন্টর হাংলিবা অসিসু কোভিদ টাস্ক ফোর্স লম্লাইনা য়াম্না ৱানা হোৎনজদুনা ফিভম অসি ওইরকখিবনি। সেন্টর অসিদা মখা তানা পেসেন্ট থম্বগী খুদোংচাদবা মায়োক্লরিবা অসিগী য়েংলগা স্কুল অসিগী লোইশিন্দ্রিবা বিল্ডিং অসি অথুবা মতমদা মপুঙ ফাবা সেন্টর অমা ওইহন্নবা মরী লৈনবা ওথোরিটিনা মীৎয়েং চঙবিদুনা মতীক চাবা থবক পায়খৎপিয়ু হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

কামজোংগী দি সীদা অইবা চেরোল পীশিন্দুনা ৱাকৎখ্রে

ইম্ফাল, মে ২৮ (ঐচ এন এস):

ফুংয়ার এসেমব্লি কনষ্টিট্যুয়ন্সিগী ওইনা এপ্রিল থাগী ফুদ গ্রেনশিং নেসনেল ফুদ সেক্যুরিটি এক্ট (নফসা)গী কার্দ হোল্ডরশিংদা ফংহনবিয়ু হায়দুনা কসোম খুলেন সব দিভিজন দিভেলপমেন্ট এসোসিয়সন (কে কে এস দি দি এ)না কামজোং দিষ্ট্রিক্টকী দেপ্যুটি কম্মিস্নার (দি সী)দা অইবা চেরোল পীশিন্দুনা ৱাকৎখ্রে।

কে কে এস দি দি এগী চ্যেরমেন ঈ পিটর অমসুং জেনরেল সেক্রেটরি রোকসন এ শিমরেনা পুন্না খুৎয়েক পীরগা কামজোংগী দি সীদা পীশিনখিবা অইবা চেরোল অদুনা হায়, ফুংয়ার এ সীগী ওইনা নফসাগী কার্দ হোল্ডরশিংদা এপ্রিল থাগী ফুদ গ্রেনশিং হৌজিকফাওবা য়েন্থোকপিদ্রি। অদুমকপু কে কে এস দি দি এনা হীরমসিগী মতাংদা এফ সী এস গোদাউন উখ্রুলদা থিজিল্লুবদা হায়রিবা ফুদ গ্রেন অসি গোদাউন অদুদগী মার্চ ২৬ অমসুং ২৭তা চিংথোকখ্রে হায়বা খঙবা ঙল্লে। চিংথোকখ্রিবা ফুদ গ্রেনশিং অসিসু ক্বিন্টল ২০৯৮.৩২নি। কে কে এস দি দি এগী কম্মিটিনা মরী লৈনবা ওথোরিটি অমদি এফ পি এসকী এজেন্টতসু হীরমসিগী মতাংদা খঙহনখিবা লৈখ্রে। অদুমকপু হৌজিকফাওবা হায়রিবা ফুদ গ্রেনশিং অসি ফংহনবগী ৱাফম লৈত্রি।

কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা ষ্টেট পূম্বদা চত্থরিবা লোকদাউননা মীয়ামদা অচৌবা চৈথেং নংলিবনি। অসিগুম্বা ফিভম অসিদা ফুংয়ার এ সীগী ওইনা এপ্রিল থাগী নফসাগী ফুদ গ্রেন মীয়ামদা ফংহন্দবা অসি চুমদবা থৌওং অমনি। মরম অসিনা লায়রবা মীয়াম্না মায়োক্লরিবা খুদোংচাদবশিং অসিগী য়েংলগা লাক্লিবা জুন থাগী অহানবা চয়োল ফাওবগী মনুংদা মীৎয়েং চঙবিদুনা মতীক চাবা এক্সন লৌখৎপিয়ু। লোয়ননা এপ্রিল থাগী ফুদ গ্রেনশিং অসি লায়রবা মীয়ামদা মপুঙ ফানা ফংহনবিয়ু হায়নসু কামজোংগী দি সীদা কে কে এস দি দি এনা পীশিনখিবা ৱাকৎ চেরোল অদুদা পল্লি।

কোভিদ রিলীফ কম্মিটিনা পোজিটিভ ওইরবশিংগী ইমুং মনুংদা তেংবাংখ্রে

ইম্ফাল, মে ২৮ (ঐচ এন এস):

ককচিং এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী হান্না এম এল এ ওইরম্বা য়েংখোম সুরচন্দ্রগী লমজিং মখাদা কোভিদ রিলীফ কম্মিটি হায়বা অমা শেমদুনা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইদুনা লৈরবা মীওইশিংগী ইমুং মনুংদা চান-থক্লবা, এঞ্জাং-নাপী, মনা-মশীঙনচিংবা তেংবাং পোৎলমশিং পীখ্রে।

ঙসি তেংবাং পোৎলমশিং য়েন্থোকখিবা অদুগা মরী লৈননা কোভিদ রিলীফ কম্মিটিগী মীহুৎ ৱাই শরতচন্দ্রনা হায়, মালেমগী ওইনা শন্দোরক্লিবা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎকী অনীশুবা ৱেভ অসিনা ককচিং এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিদা লৈরিবা মীয়ামদসু অচৌবা চৈথেং পীরি। কোভিদ-১৯গী চৈথেং ফংদুনা এ সী অসিদা মীওই কয়া পোজিটিভ ওইবা য়াওরক্তুনা কন্টেনমেন্ট জোনদা লৈরিবা ইমুংশিংনা লম্বী সোরোক্তা থোক্তুনা পোৎ-চৈ, চান-থক্লবা লৈথোক লৈশিন তৌবদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরি। কন্টেনমেন্ট জোনদা লৈরিবা ইমুংশিংনা মায়োক্লরিবা খুদোংচাবশিং অদু খরদা ওইরবসু কোকহন্নবা ককচিং এ সীগী হান্না এম এল এ ওইরম্বা ৱাই সুরচন্দ্রগী লমজিং মখাদা কোভিদ রিলীফ কম্মিটি অমা শেমদুনা তেংবাং অসি পীবনি। হান্নসু এ সী অসিগী কন্টেনমেন্ট জোন লাউথোকখ্রবা মফম খরদসু তেংবাং পীখিবা লৈখ্রে।

ঙসিগী অসিনা ককচিংগী ৱার্দ-১২দা লৈরিবা কোভিদ পোজিটিভ ওইদুনা লৈরিবা ইমুংগী মতেং খজিক্তং পাংজবা ওইনা এক্স-এম এল এ সুরচন্দ্রনা অচংবা শেনফম পুথোক্তুনা নোংমদা চঙদবা য়াদ্রবা অচাথাও, হৱাই, কোবি, মাইরেন, আলু অমদি থুমনচিংবা য়েনবনি। ককচিং এ সীগী মনুংদা লৈরিবা ৱাৎহৌরিবা মফমশিংদসু তেংবাং অসি মখা তানা চত্থখিগনি। মীয়াম্নসু লায়না লাইচৎ অসিদগী ঙাকথোক্লবগীদমক্তা অহেনবা চেকশিন থৌরাং কয়া লৌখৎপগা লোয়ননা লৈঙাক্লা লাউথোক্লিবা কোভিদ-১৯গী এস ও পিশিং ঙাক্লা চৎমিন্নসি হায়নসু মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি

এম পিনা কোভিদ-১৯ ভেক্সিনেসন পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ২৮ (ঐচ এন এস):

সেলিন দিজিটেল অমদি এন আর মীদিয়ানা ওল মণিপুর কিদনি ট্রান্সপ্লান্ট পেসন্টস ৱেলফেয়র এসোসিয়সন (এ এম কে টি পি দব্লিয়ু এ)গা খুৎশম্নদুনা শগোলবন্দ বিজয়গোবিন্দা কম্ম্যুনিটি হোলদা কিদনি ট্রান্সপ্লান্ট পেসেন্টশিংগী ওইবা কোবিদ-১৯ ভেক্সিনেসন প্রোগ্রাম রাজ্য সভাগী এম পিসু ওইরিবা নিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাওবনা হৌদোকখ্রে হায়না সেলিন দিজিটেল ফিল্ড পব্লিসিটি ওফিসর কে এস ঐচ জেম্সনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, ভেক্সিনেসন প্রোগ্রাম অদু হৌদোকপগী ৱারোল পীরদুনা এম পি লৈশেম্বা সনাজাওবনা হায়খি, কিদনি ট্রান্সপ্লান্ট পেসেন্টশিংগীদমক পাংবা য়াবা মতেং পাংগনি। কে টি পিশিংনা চিংনবা লৈতনা কোভিদ-১৯গী ভেক্সিন কাপথোকহৌসি। শগোলবন্দগী এম এল এ আর কে ইমোনসু মসিদা ভেক্সিনেসন তৌবদা অয়াবা পীবিরকপসি নুংঙাইবা ফাওই। ঐখোয় পুন্না কোভিদ-১৯গী লাইচৎ অসি থেংনমিন্নসি হায়খি।

থৌরম অদুদা এম পিগী নোমিনি টি ঐচ সরটচন্দ্র, এম পিগী নোমিনি রোনাল্দ হাওবম, সেলিন প্রদ্যুসর ফাঞ্জৌবম ধনজিৎ, এন আর মীদিয়াগী প্রোপ্রাইটর এন আর রাজেশ অমদি ওল মণিপুর কিদনি ট্রান্সপ্লান্ট পেসেন্ট্স ৱেলফেয়র এসোসিয়সনগী মীহুৎ কয়াসু শরুক য়াখি হায়রি।

‘লৈঙাক্কী মহৈলোয়শঙ অনীদা লন্নাই কোভিদ সেন্টর হাংবগী অয়াবা মতৌ করম্না পীরল্লিবনো’

ইম্ফাল, মে ২৮ (ঐচ এন এস):

লৈঙাক্কী মহৈলোয়শঙ অনীদা লন্নাই কোভিদ সেন্টর হাংবগী অয়াবা মতৌ করম্না পীরল্লিবনো হায়না এম এস এফকী ককচিং দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিগী পব্লিসিটি সেক্রেটরি ওক্রম পুজানা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, মণিপুর ষ্টুদেন্ট ফেদরেসন (এম এস এফ)না হৌজিক হৌজিক মালেমগী মীয়াম পুম্নমক্লা লান্থেংনরিবা কোভিদ-১৯ অসিবু লায়েংবদা প্রাইভেট হোস্পিটাল অমদি গভর্ণমেন্ট হোস্পিটালশিংদা অকক্লবা রেট অমা থম্বিদুনা হায়খিবগী মতুং তারকপা ওইনা মে ২৬তা মণিপুর লৈঙাক্কী হেল্থ দিপার্টমেন্টনা হোস্পিটালশিংদা চৎনগদবা রেটশিং মীয়ামদা খঙহনখিবসু লৈখ্রে। এম এস এফনসু হেল্পলাইন নম্বরশিং পীদুনা অনা-লায়েং চথবা মতমদা শেল হেন্না লৌরম্বা থোরক্লবদি পাউ ফাওরক্লবা মীয়ামদা খঙহনখিবসু লৈরে। হায়রিবা কয়া অসি লৈনা লৈনা ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈরিবা ৱাবগাই য়াংবী গর্লস হায়স্কুল অমদি ককচিং খা মণিপুর কোলেজ হায়রিবা মহৈলোয়শঙ অনী অসিদা লন্নাই হোস্পিটালশিংনা লন্নাই ওইনা কোভিদ ক্যের সেন্টর হাংলম্বদা নত্তনা মীয়ামদগী লৌনীংবা শেল লৌদুনা চলাইরম্বা অসি এম এস এফনা তরাইনা লৌদে। সেন্টর অনী অসি হাংবগী অয়াবা এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্টনা পীবরা নৎত্রগা মতৌ করম্না লৈঙাক্কী মহৈলোয়শঙ অনীদা মতম কুইনা লন্নাই ওইনা চলাইদুনা লৈহল্লল্লিবনো।

হাংলিবা কোভিদক্যেরশিং অসিদা লৈঙাক্লা পীখিবা ওর্দর থৌওইদনা লায়েংবা মতমদা লৌনীং-লৌনীংবা রেট লৌদুনা মশাগী কান্নবখক্কী য়েংলগা মীয়ামগী করিসু খন্দবা মওং কয়া তৌবগী মমি তারি। ৱাবগাই ৱাংবি গর্লস হায় স্কুলদা কোভিদ ক্যের সেন্টর ওইনা সন হোস্পিটালনা চলাইরিবা অসি নোংমখক্তং অনা লায়েং চথবদা শেল অদুক্কী মতীক ৱাংনা লৌবা মীয়াম পুম্নমক্লা খঙনরে। লোয়ননা লৈঙাক্কী মহৈলোয়শঙ ওইরিবা খা মণিপুর কোলেজ ককচিংদসু ইমা হোস্পিটালনা চলাইদুনা হাংলিবা কোভিদ ক্যের সেন্টর অসিনা অনা লায়েং চথবদা মীয়াম্না পুবা থাংবা ঙম্লোইদবা শেনফমশিং লৌরে হায়দুনা এম এস এফকী হেল্পলাইনশিংদা পাউ কয়া ফাওরকপগী মতুংইন্না এম এস এফনা কুপ্না য়েংশিনখি। অসিগুম্বা লন্নাই হোস্পিটালশিংনা মনিং তৌনা চলাইরিবা কোভিদ ক্যের সেন্টরশিং অসি লৈঙাক্কী অথুবা মতমদা মীৎয়েং চঙবিনবা এম এস এফ ককচিং দিষ্ট্রিক্ট কম্মিতিগী মায়কৈদগী মরী লৈনবশিংগী পুক্নিং চিংশিঞ্জরি।

নোংমগী শূরগা চাজরিবা মীয়ামদা লায়না লাইচৎ অসিনা মরম ওইরগা মপান থোকপা ফাওবা য়াদ্রবা মতম অসিদা লায়না অসি নারকপা মতমদা য়ামখ্রবা শেনফম অসি পীবা ঙম্লোইদবা মীওইশিংদি অদুম্মক লায়েংবা ঙমদবগী ফিভমদা লৈরক্লি। লন্নাই কোভিদ ক্যের সেন্টর ওইনা হাংলিবা অসি খঙদে হায়না অমগা অমগা থৈজিন্নদুনা লৈথোকপগী মহুত্তা মীয়ামদগী নমথাক তৌদুনা শেল তাল্লিবা হোস্পিটালশিং অসিগী মথক্তা অকনবা এক্সন লৌখৎপিয়ু। অমদি মখা তানা অসিগুম্বা থৌওংশিং অসি লন্নাই হোস্পিটালশিংনসু লায়রবা মীয়ামগী খল্লগা তৌবিদনবা ৱাফমসু এম এস এফনা থমজরি হায়না চেরোল অদুনা মখা তারি।